## সী এমনা ইমর্জেন্সি...

*লামায় ১গী মখা...* হৌদুনা পাওথোক্লদৌরিবা ইমর্জেন্সি মীটিং অসিদা কেবিনেট মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিংসু শরুক য়ানবা চীফ মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী খওহনখ্রে। লোয়ননা মীফম অসিদা চীফ সেক্রেটরি, এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (রিলিফ এন্দ দিজ ষ্টর মেনেজমেন্ট), এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (হোর্টিকলচর), প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (ফাইনান্স), প্লান্নিং কম্মিস্নর, এগ্রিকলচর কম্মিস্নর, রেভিন্যু কম্মিস্নর, ৱাটর রিছোর্সেসকী সেক্রেটরি, দি সীশিং, আই সী এ আরগী দিরেক্টর, সী এ য়ুগী দিরেক্টর অমসুং এম এ আর এস এ সীগী দিরেক্টরসু শরুক য়ানবা খওহনখ্রে। মীফম অসিদা খন্নগদৌরিবা ৱাফমশিং অসি রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট দিপার্টমেন্টনা কুপ্পা রেকর্ড তৌগনি হায়রি।

## GAS NEWS

**ASHANGBI INDANE, SUGNU**
Booking Upto: 07/07/2019
Valid From: 26/06/2019
***Stk : 612***
Timing: 09.00 am to 11.00 am

**CANCHI INDANE SERVICE**
**Booking Uptodate**
***14 Kg Stk : 612***
***5 & 19 Kg Stk Available***
Timing: 08.00 am to 10.00 am
(First Come First Serve)

**HRANGCHAL GAS, OLD LAMBULANE**
**Booking Uptodate**
***Stk : 306***
***19 Kg Stk Available***
(First Come First Serve)

**HARAN VALLEY, KWAKTA**
Booking Upto: 01/08/2019
Valid From: 24/07/2019
***Stk : 306***
Timing: 07.30 am to 10.30 am

**IMPHAL LPG SERVICE**
**Booking Uptodate**
**14.2 Kg. Stk : 569**
**19 kg Commercial Stk : 203**
**5 kg Available**
Delivery at Heinoupok
Timing : 08.30am Onwards
(First Come First Serve)
No Booking Required
Avail Online Booking,
Payment & Home Delivery

**K & K INDANE SERVICE**
**Booking Uptodate**
***Stk : 306***
Timing: 07.30 am to 11.00 am
(First Come First Serve)

**KHORIPHABA (NAMBOL)**
**Booking Uptodate**
***Stk : 306***
Timing: 07.00 am to 09.30 am
(First Come First Serve)

**KHONGNANG (BISHNUPUR)**
Booking Upto: 10/08/2019
Valid From: 09/08/2019
***Stk : 306***
Timing: 07.30 am to 10.00 am

**LEIBAKLEI GAS, KAKCHING**
Booking Upto: 29/08/2019
Valid From: 16/08/2019
***Stk : 612***
Timing: 07.30 am to 10.30 am

**BASHIKHONG INDANE**
Booking Upto: 29/07/2019
Valid From: 18/07/2019
***Stk : 306***
Timing: 07.00 am to 10.00 am
(First Come First Serve)

**HEIROK INDANE**
**Booking Uptodate**
***Stk : 306***
Timing: 07.30 am to 10.00 am

**M.M. GAS SERVICE**
**Booking Uptodate**
**Stk : 612 (DBTL)**
**5 & 19 Kg Stk Available**
Timing: 07.00 am to 10.30 am
(First Come First Serve)
Home Delivery Form Available

**MAHALAKSMI INDANE**
**Sl. No. Upto - 272998**
Booking Upto: 20/08/2019
Valid From: 15/08/2019
***Stk : 306***
Timing: 06.30 am to 10.30 am

**MAIBIA GAS, MOIRANG**
**Booking Uptodate**
***Stk : 306***
Timing: 07.00 am to 11.00 am

**MANIPUR GAS SERVICE**
**Booking Uptodate**
***Stk : 306***
***19 Kg Stk: 20***
Timing: 07.30 am to 09.30 am
(First Come First Serve)

**MISAO GAS SERVICE**
**Booking Uptodate**
**14.2 Kg Stk : 306**
**19 Kg Available**
Timing: 07.00 am to 11.00 am
(First Come First Serve)

**RBD GAS AGENCY**
**Booking Uptodate**
***Stk : 612 (Only CTC)***
Timing: 06.30 am to 10.30 am
(First Come First Serve)

**TDK, SEKMAI**
Booking Upto: 10/08/2019
Valid From: 05/08/2019
***Stk : 612***
Timing: 07.30 am to 10.30 am

**NONGPOK SEKMAI JCD INDANE**
Booking Upto: 20/08/2019
***Stk : 306***
Timing: 08.00 am to 10.00 am

**M/S KHURKHUL HEIKHAM INDANE**
**Booking Uptodate**
***Stk : 306***
***5 & 19 Kg Available***
Timing: 08.00am to 12.00noon
(First Come First Serve)

**J RONGMEI SK INDANE WANGOI**
Booking Upto: 29/07/2019
Valid From: 26/07/2019
***Stk : 306***
Timing: 06.30 am to 09.30 am

# ৱাঙ্গোই ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চ্যেরপর্সন ববিতাগী মথক্তা পাঙথোকখিবা নো-কনফিদেন্স মোসন হায় কোর্টনা চৎনহন্দনা থমখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী ৱাঙ্গোই ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চ্যেরপর্সন ওইরিবী লোংজম ববিতা (৩৮) মপুরোইবা সরুংবম নেতাজি, ৱাঙ্গোই থৌনাওজম লৈকাইবু কাউন্সিল অসিগী চ্যেরপর্সনগী ফমদগী থা অসিগী ২৭তা পাঙথোকখিবা স্পেসল মীটিংগী নো-কনফিদেন্স মোসনদা মায়থীখ্রে হায়বা মীটিং অদুগী প্রিসাইদিং ওফিসর (দেপ্যুটি কম্মিস্নর) এন প্রভিনগী প্রোসিদিং অদু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা চৎনহন্দনা থমখ্রে।

কোর্টকী ওর্দর অসি মীটিং অদুনা পাঙথোকখিবা প্রোসিদিংগী মায়োক্তা চ্যেরপর্সন লোংজম ববিতা অমসুং কাউন্সিল অসিগী কাউন্সিল্লর থৌদাম ইনাওতোন লৈমনা জোইন্ট পিটিস্নরশিং ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন অমগী হিয়রিং চথুরবা মতুংদা পীখিবনি। পিটিস্নর অনীগী পিটিসন অদুগী নম্বর দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৬৯০ ওফ ২০১৯নি। কেস অসিদা রেস্পোন্দেন্টশিং ওইনা য়াওরিবনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী কম্মিস্নর (মাহুদ), দেপ্যুটি কম্মিস্নর (ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট) অমসুং এগজিক্যুটিভ ওফিসর, ৱাঙ্গোই ম্যুনিসিপাল কাউন্সিললনি। ওফিসল অহুম অসিনা কেস অসিগী ওফিসল রেস্পোন্দেন্টশিংনি। অদুগা কেস অসিগী প্রাইভেট রেস্পোন্দেন্ট ওইরিবশিংনা এম দি ইলিয়াজ খান (৩৪), কাউন্সিল্লর ৱার্দ নম্বর ৪; লোংজম ইবোতোন মৈতৈ (৫৭), কাউন্সিল্লর ৱার্দ নম্বর ২; ৱাহেংবম সুশিলকুমার (৪৮), কাউন্সিল্লর ৱার্দ নম্বর ৩; দব্লিয়ু মাসি (৩৯), কাউন্সিল্লর ৱার্দ নম্বর ৮ অমসুং থৌদাম প্রতাপ (৩৪) কাউন্সিল্লর ৱার্দ নম্বর ১নি।

কেস অসি ঙসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিনগী কোর্টতা লৌখৎতুনা খন্নরবা মতুংদা কেস অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিংদা নোটিস ইস্যু তৌখি। রেস্পোন্দেন্ট নম্বর ১ অমসুং ২ ওইরিবা কম্মিস্নর (মাহুদ) অমসুং দেপ্যুটি কম্মিস্নর (ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট)কী নোটিসশিংদি মখোয়গী মায়কৈদা লেপখিবা গভর্ণমেন্ট এদভোকেটনা এক্সেপ্ট তৌখি। অদুগা রেস্পোন্দেন্ট নম্বর ৩দগী ৮ ফাওবগীনা পিটিস্নরগী মায়কৈদগী স্পীদ পোষ্টতা থাননবা কোর্টনা খঙহনখি। লোয়ননা কোর্ট অসিনা মরক্কী ওইনা পীখিবা ওর্দর অমদা থা অসিগী ২৭তা পাঙথোকখিবা চ্যেরপর্সন লোংজম ববিতাবু মায়থীরে হায়খিবা নো-কনফিদেন্স মোসনগী স্পেসল মীটিংগী থবক থৌরমশিং হৌজিক কোর্ট অসিদা লৈরিবা কেস অসিগী মতুংইন্না লেপকদবনি হায়না খঙহনখি হায়রি।

পিটিস্নর অনীগী মায়কৈদগী কোর্ট অসিদা ৱাকৎলকখিবনা ৱাঙ্গোই ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ওইনা চৎলিবা চহী ২০১৬-২০২১গী ওইনা ৱার্দ নম্বর ২গী কাউন্সিল্লর লোংজম ইবোতোন মৈতৈবু অহানবা চ্যেরপর্সন ওইনা খনখি। অদুবু মহাক্কী মতমদা ফন্দ মিসএপ্রোপ্রিএসন তৌবগা লোয়ননা কাউন্সিলগী প্রোপর্টিশিং মিসপ্লেস তৌবা অমসুং কাউন্সিলগী থবক থৌরমশিংদা ইরিগ্যুলরিটিশিং থোরকপদগী থা ৪/৫গী মনুংদা মহাক্কী মথক্তা লাকখিবা নো-কনফিদেন্স মোসন অমদা মহাক মায়থীদুনা কাউন্সিল অসিগী চ্যেরপর্সন খাইদেম মেম্মনা ওইখি হায়রি। অদুবু মহাকসু কাউন্সিল অসিগী চ্যেরপর্সন ওইবগী থবক্তা ইন-কেপেবিলিটিশিং লৈরকপদগী মহাক্কী মথক্তসু নো-কনফিদেন্স মোসন অমা লাকপদগী লোংজম ববিতাবু কাউন্সিল অসিগী অহুমশুবা চ্যেরপর্সন ওইনা খন্দুনা মসিগী থবক থৌরমশিং পাঙথোরক্লিবনি হায়রি। অদুমওইনমক মহাক্কী মথক্তসু নো-কনফিদেন্স মোসন অমা লাকপদগী মমাংগী কুমজা ২০১৮গী ওগষ্ট ১০গী অয়ূক পুং ১১দা দেপ্যুটি কম্মিস্নর, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী কোর্ট রূমদা পাঙথোকখিবা মসিগী স্পেসল মীটিংদা মহাক্কী মায়োক্তা লাকখিবা মোসন অদু মায়থীখিবদগী মহাক্লা মখা তানা চ্যেরপর্সনগী ফম পুদুনা লাকখিবনি হায়রি।

চৈরকসিদা থা অসিগী ৭তা কাউন্সিল অসিগী এগজিক্যুটিভ ওফিসরনা থোকখিবা নোটিস অমগী মতুংইন্না পূন্না কাউন্সিল্লর মাপন লৈরিবা কাউন্সিল অসিগী কাউন্সিল্লরশিংগী মনুংদগী মঙানা রিক্বিজিসন নোটিস অমা ফাইল তৌরকপগা লোয়ননা মহাক্কী মথক্তা নো-কনফিদেন্স মোসন থাঙ্গৎলকপদগী মসিগী স্পেসল মীটিং থা অসিগী ২৭কী নুমীৎয়ুংবা মতুং পুংখায় চৎপা মতমদা প্রিসাইদিং ওফিসর/ দেপ্যুটি কম্মিস্নর, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী কোর্টতা পাঙথোকখিবনি হায়রি। অদুবু পাঙথোকখ্রিবা নো-কনফিদেন্স মোসন অদু মণিপুর ম্যুনিসিপালিটিজ এক্ট, ১৯৯৪গী সেক্সন ৩১ (২)না পীরিবা প্রোভিজনশিং থুগায়দুনা নম্ফুদা পাঙথোকখিবনি হায়দুনা কোর্ট অসিদা ৱাকৎলকখিবনি। লোয়ননা স্পেসল মীটিং অদু পাঙথোক্লবগীদমক এগজিক্যুটিভ ওফিসরনা ওগষ্ট ১৭তা থোকখিবা নোটিস অমসুং থা অসিগী ২৭তা পাঙথোকখিবা নো-কনফিদেন্স মোসনগী স্পেসল মীটিংগী প্রোসিদিং অদু চৎনহনবীগনু হায়দুনা কোর্ট অসিদা ৱাকৎলকখিবনি।

কেস অসিদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা এদভোকেট অসেম মোহেন্দ্রোনা লেপখি।

## নোংমাইজিং চীংখোঙদা মালেম পুবা পাফল তোংবা ফিরাল চিংখৎখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস) : ইনিংথৌ বুধচন্দ্রনা অরোইবা য়াহিপ তানখিবা নোংমাইজিং চীংখোঙদা ইনিংথৌবু নিংশিংবা ওইনা ঙসি মালেম পুবা পাফল তোংবা ফিরাল চিংখৎপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। ফিরাল চিংখৎপগী থৌরম অদুদা ইনিংথৌগী ঙমথংনি হায়নরিবা অঙোম নিংথৌনা মালেম পুবা পাফল তোংবা ফিরাল চিংখৎখি।

গৌরনগর সেবায়ট কম্মিটি অমসুং সিরকা অনিনা খুৎশম্নরগা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা গৌরনগর সেবায়ট কম্মিটিগী এদভাইজর লাইশ্রম পোইরৈতোন না হায়, ইনিংথৌ বুধচন্দ্রনা মর্জর এগ্রিমেন্ট খুয়েক পীখ্রবা মতুং কোনুংদা চংদনা নোংমাইজিং চীংখোঙদা লৈদুনা অরোইবা য়াহিপ তানখি। নিংতম্বা ফংখিবা ১৪ ওগষ্ট থবানদা হায়রগনা থৱানগী ২৯নী পানবা নুমিৎতা হরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা সনা কোনুংদা মালেম পুবা পাফল তোংবা ফিরাল চিংখৎখিবা অদু নিংশিংদুনা ফিরাল চিংখৎপগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, হৌখিবা চহী খরগী মমাংদা নোংমাইজিং চীংখোঙ অসিদা চহী খুদীংগী পাঙথোকত্রগসু মরক-মরক্তা ফিরাল চিংখৎপগী থৌরম অসি পাঙথোকখি। অদুবু কুমজা ২০১৭ দগীদি চহী খুদিংগী মফম অসিদা ইনিংথৌবু নিংশিংবা ওইনা লেপ্তুনা মালেম পুবা পাফল তোংবা ফিরাল চিংখৎপগী থৌরম লেপ্তুনা পাঙথোরক্লি। থৌরম অদুগা ইরোইননা সিরকাগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা সোমেন্দ্রো থোকচোমনা ক্বা কৈথেলদা লৈবা এমসকী ওফিসতগী য়ুঠ ফ্রন্টগী বাইক রেলি অমসু লমথাখি। ইনিংথৌগী ঙমথং ওইরিবা অঙোম নিংথৌনা বাইক রেলি অদু নোংমাইজিং চীংখোঙদা হরাউ তরাম্না ওকখি। ফিরাল চিংখৎপগী থৌরম অদুদা লম্লাইগী সোসিয়াল ৱর্কর মোহেন, গৌরনগর সেবায়ট কম্মিটিগী মেম্বর, সিরকাগী মেম্বর কয়া অমদি ইনিংথৌবু নুংশিজবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

## মাও কৈথেল কক্ৱা নাওরেম লৈকায়দা ফল্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস) : মাওগী চীংগী ইচিন ইনাউশিংনা চৎ-চৎতুনা য়োনবা মাউ কৈথেল ৬ শুবা ওইনা ঙসি ককৱা নাওরেম লৈকায়দা ফল্লগনি হায়রি। নাউরেম লৈকায়গী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকপা পাউমীশিংগা উনবা মীফম অমদা মাউ য়ুনিয়ন, ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট পুনিলোসী না হায় নাউরেম লৈকায়দা ফমগদৌরিবা মাউ কৈথেলদা মমাংদা অমুক্তা পুথোরক্ত্রিবা অনৌবা এঞ্জাং মখল কয়া অমসু পুরক্লগনি হায়রি।

মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, মাওগী ঈমা ইবেলশিংনা সাউথ নাগালেন্দদা পোৎ য়োনবদা অংগামীশিংনা অয়েৎপা পীরকখিবা অদু য়াম্না নুংঙাইতে। অদুবু ইম্ফালদা লাক্তুনা পোৎ য়োনবা মতমদদি য়াম্না নুংঙাইবা অমা ওইবদা নত্তনা তমগী ইচিন ইনাওশিংনা য়াম্না নুংশিনা হরাউ তয়াম্না ওকপিবা অসি মাউ পূম্নমক্লা য়াম্না অপেনবা পোকই হায়খি। মীফম অদুদা নহারোল য়াইফকোলগী প্রসিদেন্ট নাওরেম মেঘজিৎনা হায় নাওরেম লৈকায়দা ফমগদৌরিবা মাউ কৈথেল লমদম অসিগী মীয়াম্না লাক্তুনা পোৎ লৈবিয়ু। মদুনা চীং অমদি তমগী থাইনদগী লৈরক্লবা নুংশিনবা অদু ঙাক্তুনা থম্বদা চাউরবা মতেং অমা শোয়দনা ওইগনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

## প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা...

*লামায় ১গী মখা...* ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিমদা মতম শাংনা শান্নদুনা লাক্লবা মশাগী চহী ২৮ খক্তা ঙাইরিবা ওলেম্পিয়ন কাঙুজম চিংলেনসনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা বাশিখোং ৱাঙ্খৈ লৌমানবীদগীনি। মহাক্কী অপোকপনা কাঙুজম জানেশ্বর অমসুং অপোকপীনা থৌনাওজম নিংঙোল কাঙুজম ওংবী বাভিনী কৌই। হৌজিক-হৌজিক মুম্বাই ৱেষ্টর্ন রেলৱেজদা থবক তৌদুনা ইন্দিয়ন টিমগী হাফ বেক অমা ওইনা মশক থোক্লা শান্নরক্লিবা কাঙুজম চিংলেনসনানা পোক্লফম লমদম ওইরিবা বাশিখোং মৈরা ক্লবকী শান্নরোয় অমা ওইনা হোক্কি শান্নবা হৌরকখিবনি। মহাক ইন্দিয়ন টিমগী ভাইস কেপ্টেন ফাওবা ওইদুনা টিমগী মপূং ফাবা থৌদাং কয়া লৌরকখিবগা লোয়ননা ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্টশিংদা লৈবাক অসিগী মহুৎ শিন্দুনা মেচ ২০০গী মথক্তা শান্নখ্রে হায়রি।

## বেবিসনা মীশি : লন্ধোনি, রোমিতা...

*লামায় ১গী মখা...* ৱার্দেন নোংমাইথেম জিন্তি (২৭) অপোকপা এন জয়কুমার, মোইরাংখোম শৌগাইজম লৈরক্কী মায়কৈদনা এদভোকেট ইরেংবম বিক্রমজিৎনা লেপখি। পিটিস্নর মরিগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেল অনীগী মায়কৈদ্গী সিনিয়র এদভোকেট এন জোতেন্দ্রোনা ফৈরোইজম লন্ধোনিগী হৌজিক ওইরিবা হকচাংগী ফীভম অমসুং অপীকপা অঙাং চেল্লিবী মচানুপী রোমিতাগী মায়কৈদগী বেল পীবীনবা মরমশিং পুথোক্তুনা কোর্টতা সবমিট তৌখি। ৱার্দেন অনীগী মায়কৈদা লেপখিবা এদভোকেট আই বিক্রমজিৎকী মায়কৈদগীসু পিটিস্নর অনীবু কোর্টনা কেস অসিদগী বেল পীবীনবা তেঙান-তেঙানবা মরমশিং শুগায়না পল্লদুনা কোর্টতা সবমিট তৌখি। অদুবু কোর্ট অসিদা প্রোজিক্যুসনগী মায়কৈদগী এসিষ্টেন্ট পব্লিক প্রোজিক্যুটর (এ পি পি) এম যমুনাগী মায়কৈদগী পিটিস্নর মরিগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র এদভোকেট য়াওনা কাউন্সেল অনীনা থমখিবা ৱাফমশিং অদুগী মায়োক্তা মহাক্কী ওইবা প্রোজিক্যুসন ষ্টোরিশিংগা লোয়ননা আর্গ্যুমেন্টশিং সবমিট তৌখি।

কোর্টনা নাকল পূম্নমক্কী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলশিংগী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা ঙসি পাঙথোক্লিবা এক্যুজ মরিগী বেল এপ্লিকেসনশিংদা য়ূন্ফম ওইবা হিয়রিং অসিগী মখা তাবা শরুক মথং থাগী ১২দা পাঙথোক্লবা খঙহনখি।

পনবা য়াবদি, থৌদোক অসিগী মতাংদা শীংজমৈ পুলিস ষ্টেসননা এফ আই আর নম্বর ১৩৮ (৭) ২০১৯ অন্দর সেক্সন ৩০৫/ ৩৪/৪২০/ ৩০২ আই পি সী অমসুং ৭৫-জুভেনাইল জষ্টিস (ক্যের এন্দ প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন) এক্টকী মখাদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি। কেস অসি থৌদোক অসিগী মতাংদা অখন্ননা শেমখিবা পুলিসকী স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি)দা শীন্নদুনা ইনভেষ্টিগেসনগী থবক ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এদিসনেল এস পি অমনা লুচিংদুনা পাঙথোরকখিবনি। অদুগা কোর্ট অসিদা বেল পীবীয়ু হায়জরকখিবা এক্যুজ মরিবু থা অসিগী ৬ অমসুং ৮দগী জুদিসল কষ্টদিদা থম্লক্লিবনি।

## পোক্সো কেসতা মীওই অমা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস): মশাগী চহী ১৪খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমা মশানদি নুংশিনদুনা চেনবনি হায়রগসু মহাক্কী মপাগী মায়কৈদগীদি নমদুনা ফারগা পুরবা মতুংদা লোৎশিন্দুনা থম্লকখিবনি হায়দুনা ৱাকৎলকখিবা থৌদোক অমগী মতাংদা পুলিসনা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা পোক্সো কেস অমদা চেন্নবা মীওই ফারগা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌখ্রে।

থৌদোক অসি ময়াং ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মফম অমদা থোকখিবনি। ভিক্টিম ওইহনবীরে হায়রিবী নুপীমচা অসিগী অপোকপা মপানা থা অসিগী ২৭তা পুলিস ষ্টেসন অসিদা তৌরকখিবা রিপোর্টকী মতুংইন্না মহাক্কী মচানুপী অসি হৌখিবা মার্চ ১৩গী নুমিদাং পুং ৯ লোম তারকপদা কিদনেপ তৌদুনা পুখিবনি হায়রি।

মহাকপু কিদনেপ তৌখিবা মীওই অদুগী মমিংনা এম দি সমির (৩২) অপোকপা লৈখিদ্রবা এম দি সিরাজ অহমদ কৌই। মহাক্লা নুপীমচা অসিবু কিদনেপ তৌদুনা পুরবা মতুংদা ঙরাং ফাওবা মোরে ৱার্দ নম্বর ৭ শান্তিনগর তুরেলগী মফম অমদা লোৎশিন্দুনা থম্লকখিবনি হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না পুলিসনা অহানবদা ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ৩৬৬-এ/ ৩৬৮কী মখাদা কেস এফ আই আর নম্বর ২৩ (৮) ২০১৯ লৌখৎলবা মতুংদা কেস অসিগী সেক্সন অসি প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্স্যুএল ওফেন্স (পোক্সো), এক্টকী সেক্সন মরিদা অপগ্রেদ তৌরে হায়রি। লোয়ননা নুপীমচা অসিবু লোৎশিন্দুনা থম্লকপনি হায়রিবা মীওই অসি ঙরাং ফাগৎখিবগা লোয়ননা মহাকপু লোৎশিন্দুনা থম্লম্বা মফম অদুদগী নুপীমচা অদুসু রেস্ক্যু তৌরে হায়রি।

পুলিসকী মায়কৈদগী লৌখৎলক্লিবা কেস অসিগা মরী লৈননা ঙসি ফারবা মীওই অসি স্পেসল জজ, পোক্সো, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা পুথোরক্লবা মতুংদা নুমীৎ ৬নিগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌরে হায়রি।

পনবা য়াবদি, ভিক্টিম ওইরিবী নুপীমচা অসি থা ৩গী অঙাং অমা নাওপুরল্লে হায়রি।

## ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস): ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী ১৫ শুবা মপোককুমওন থৌরম ঙসি লম্ফেলগী শঙ্কর টোকিজদা লৈবা ফিল্ম ফোরমগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখিবা ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী চ্যেরমেন এস মাঙ্গোলজাওনা হায়খি, মপোক কুমওন অসি চহী খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোরক্লি। মমাঙ চহীদা য়াম্না চাউনা জগোয়-ঈশৈগা লোয়ননা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিলভপমেন্ট সোসাইটিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকপনি। হন্দক্তি লৈবাক্কী ঈরাং লৈবা, নোং তাদবদগী লৌবুক্তা ঈশিং লৈতবগী অৱাবা মায়োক্লবা, মহৈরোয় শিবগী থৌদোক-ৱাথোক ময়াম অসিনা মরম ওইরগা মমিংতগী ওইনা পাঙথোকপনি। ফোরম অসিনা মীয়ামগীদমক কান্নবা খরদি তৌসি হায়দুনা হন্দক গ্লোবেল ৱার্মিংগী অৱাবা কয়া য়েংদুনা উ-চারা কয়া থাখি। ফিল্ম ফোরমগী মীহুৎশিংনা মাগী মাগী মিংদা উপাল কয়া থানখি। উথাবগী কলচর অমা লাক্লে। উথারবা মতুংদা হিংহন্নবা ঙাকপী শেনবীবা তঙাইফদে। থাখিবা উপালশিং হৌরম্বা তারবদি মণিপুর অসি জঙ্গল ওইবা য়ারবনি। শেন্নবীবা য়াওদবনা উপাল-ৱাপাল কয়া মাঙলি। ফোরমনা থারিবা উশিং অসি ঈশিং চাইদুনা ক্যের লৌগনি। হিংহনবা হায়বসি ঐখোয়গী পান্দমনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা সিনে রাইটর প্লেরাইট ফোরমগী প্রসিদেন্ট মনাওবি এম এম, অমিক্কী প্রসিদেন্ট এস টিকেন্দ্র, এক্টর গিল্ড মণিপুরগী প্রসিদেন্ট টি লোকেন্দ্র অমদি এল সুর্যকান্তসু প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

## মণিপুরনা সী এ এম পি এ ফন্দ ওইনা...

*লামায় ১গী মখা...* লৈননা ফোরেষ্ট মিনিষ্টর শ্যামকুমারনা ফোঙদোরকখিবদা, ইনভাই-রনমেন্ট কঞ্জার্ভেসন অমদি ক্লাইমেট চেঞ্জগী ইস্যু থেংননবা হোৎনবদা চাউনা মতেং ওইনরগনি। য়ুনিয়ন মিনিষ্টর প্রকাস জাবেদকরনা সী এ এম পি এ ফন্দ লুপা ক্রোর ৪৭,৪৩৬ তোঙান তোঙানবা ষ্টেট ২৭ তা য়েন্থোকখি। ষ্টেটশিং অদুগী মনুংদা মণিপুর, ওরিষা, ছটিসগর, মধ্য প্রদেশ, ঝরখন্দ, মহারাষ্ট্রা, তেলঙ্গনা, উত্তরখন্দ, উত্তর প্রদেশ, রাজস্থান, অন্ধ্রপ্রদেশ, হিমাচল প্রদশে, অরুনাচল প্রদেশ, গুজরাত, কর্নাটাকা, হরিয়ানা, পঞ্জাব, অসাম, বিহার, সিক্কিম, গোৱা, ৱেষ্ট বেঙ্গল, মিজোরাম, ত্রিপুরা, মেঘালয়া, তামিল নাদু, কেরলা য়াওরি। ফন্দ অসি এফোরেষ্ট্রেসন, ৱাইল্ডলাইফ মেনেজমেন্ট, ফোরেষ্ট ফায়র প্রিভেন্সন, সোইল এন্দ মোইচর কঞ্জার্ভেসন, রিছার্স ইন ফোরেষ্ট্রিনচিংবা হিরম কয়াদা শীজিন্নগনি। মসিনা উমং য়োকখৎনবা হোৎনবদা চাউনা মতেং ওইনরগনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা কনফরেন্স অদুগী এজেন্দাশিংগী মনুংদা কম্পেন্সেটরি এফোরেষ্টেসন ফন্দ এক্ট এন্দ রুল, প্লান্টেসন টু এচিভ এন দি সী টার্গেট, গ্রোৱিং ট্রী ইনক্লুদিং পাল্ম, রবর এন্দ বেম্বুনচিংবগী মতাংদা য়াওরি হায়নসু মহাক্লা মখা তারি।

## হাইপৌ জাদোনাং লৈখিদবগী কুমওন...

*লামায় ১গী মখা...* প্রসিদেন্ট অমু কামৈনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুর কনসি হায়বসি ঐখোয়না হায়দ্রবদি কনানা কনগনি। মুইভানা চীংদুম ফুক্লগা পুবসু ঙল্লোই। ইম্ফাল তুরেল অহুম থোকপসু ওইরোই। ঐখোয়গী লমসি ঐখোয়গী মিং থোনবা লোইদ্রবদি মীনা লাক্লগা মমিং থোল্লকপসু য়াই। ঐখোয়গী মিং ময়াম থোল্লগা লোইশিল্লহৌসি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা য়ু সী এমগী প্রসিদেন্ট সুনিল করামনা হায়খি, হাইপৌ জাদোনাং পার্ক য়োকখৎপা মথৌ তাই। পার্ক লৈরবনিনা হোল শাবা য়াই। ইরমদমসিদা অতোপ্পা লমলানবা কয়াগী মিতম খীনদ্রিঙৈদা ইরমদমগী খীনবনা হেন্না ফৈ। লৈবাক নীংবা হায়বসি তংখায় নীংবা য়াদে। হৌজিক লৈঙাক্তা থা ৩ গী ৱার্নিং লৈরিবনি। লৈবাক কন্নবা হোৎনবা তাই। ফুরুপ অমগী হোমলেন্দ তানবা য়ারোই। মীতোপ লাক্লগা ৱায়েলহল্লোইদবনি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা অমুকোগী প্রসিদেন্ট দেবাননা হায়খি, মণিপুরগী ঙমখৈ থেংখাং কয়াদা ইপা-ইপুশিংনা ঙাক্তুনা লাক্লি। চহী তরেৎ খুন্তাকপদা থেংনখিবা অৱাবা কয়াসু লৈরিবনি। ঐখোয় মশেল নুংশিনদনবা শিল্লিবসি কনানো খঙবা মথৌ তাই। নুংশি চান্নবা হোৎনবদা নিংঙোল চাক্কৌবা পাক শন্না শন্দোকপা তঙাইফদে হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা ৱাঙাংলোয় ওইখিবা সোসল সাইন্টিষ্ট ডা. ধনবির লাইশ্রমনা হায়খি, হাইপৌ জাদোনাং মণিপুর ইমাগী তাঙলবা ফিজিগী মনিনি। জাদোনাংনা সোসল অমদি পোলিটিকেলগী লমদা নহা ওইনা চঙশিল্লকখি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি। থৌরম অদুদা এম এল এ রাধাকিশ্বর, পি শরতচন্দ্র, ডা. ৱাই রাধেশ্যাম অমদি অরুন ইন্টরপ্রাইজেসকী প্রোপ্রাইটর থাংজম অরুনসু গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

भारतीय रिज़र्व बैंक
RESERVE BANK OF INDIA
Department of Currency Management, Mumbai

**এক্সপ্রেসন ওফ ইন্টরেষ্ট থাবিরক্লবা খঙহঞ্জবা**

দরকার লৈবা মতমদা আর বি আই ইস্যু ওফিসশিংদা বেঙ্ক নোটশিং পুথোক-পুশিন তৌনবগীদমক্তা অপিবা মঙং মতৌশিংদা বোদি খুমজিনবা গাড়ীশিং সপ্লাই তৌনবগী ক্বালিফাইদ ওইবা অমসুং থবক তৌবা ঙম্বা ট্রান্সপোর্ট কন্ট্রেক্টরশিং খনবগীদমক রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়ানা এক্সপ্রেসন ওফ ইন্টরেষ্ট (ঈ ও আই) (রেট কন্ট্রেক্ট) কৌজরি।

ট্রান্সপোর্ট কন্ট্রেক্টরশিংনা অহেনবা অকুপ্পা মরোলশিংগীদমক আর বি আইগী ৱেবসাইট (www.rbi.org.in)কী "টেন্দরস" সেক্সনদা ভিজিট তৌরগা পীরল্লিবা ৱারোলশিংগী মতুং ইন্না এপ্লাই তৌবিগদবনি। ঈ ও আইগী এপ্লিকেসনগী অরোইবা তারিখ অমসুং মতম **ওক্টোবর ১১, ২০১৯, নুংথিল পুং ৩.৩০ নি**। ঈ ও আইগা মরী লৈননা হাপচিনবা/ককথৎপা/শেমদোকপা অমসুং মরী লৈনবা ঈ-পাউ খুদিংমক বেঙ্ক অসিগী ৱেবসাইটতা খঙহল্লক্কনি।

HL-B/5634/30 — চীফ জেনরেল মেনেজর-ইন-চার্জ

# আর্মি ১৮ হাৎখিবা পরাওলোন এঙ্কুশকী কেস লৌখিদবা আর্মি পর্সনেলশিংগী হকচাং পোষ্ট মোর্টেম তৌখিবা দোক্টরগী ষ্টেটমেন্ট লৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস): হৌখিবা কুমজা ২০১৫গী জুন ৪গী অয়ুক্তা তেংনৌপল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা পরাওলোন খুল মনাক্তা আউট-লো অন্দরগ্রাউন্দ ওর্গানাইজেসন এন এস সী এন-কে, কে ৱাই কে এল অমসুং কে সী পিগী কম্বাইন্দ য়ু জি টিম অমনা এম্বুশ তৌদুনা ৬-দোগ্রা রেজিমেন্টকী ওফিসর য়াওনা পর্সনেল ১৮ হাৎলগা ১৫না শোকহনখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা চথুরক্লিবা ৱায়েলদা লৈখিদবা আর্মি পর্সনেলশিং অদুগী হকচাং পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন তৌখিবা দোক্টর অমগী ষ্টেটমেন্ট কোর্টনা লৌখ্রে।

থৌদোক অদুগী মতাংদা অহানবদা তেংনৌপল পুলিস ষ্টেসননা কেস এফ আই আর নম্বর ১৪ (৬) ২০১৫ অন্দর সেক্সন ৩০২/৩০৭/ ১২০-বি/ ১২১/ ১২১-এ আই পি সী, ২৫ (১-সী) আর্মস এক্ট, ৫-এক্সপ্লোসিভ সবষ্টেন্সেস এক্ট অমসুং ১৬/২০ অন-লোফুল এক্টিভিটিজ (প্রিভেন্সন) এক্টকী মখাদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা থিজিনবা হৌখিবনি। অদুবু থৌদোক থোকখিবা নুমীৎ অদুদগী নীনি শুরকপা জুন ৬তা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সনা থোকখিবা ওর্দর (নম্বর ১১০৩৪/৬৬/২০১৫)গী মতুংইন্না কেস অসি নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ)দা শীন্নখিবনি।

এন আই এনা কেস অসি রেজিষ্টর তৌরবা মতুংদা মসিগী ইনভেষ্টিগেসন চথরগা স্পেসল জজ (এন আই এ), মণিপুরগী কোর্টতা অহানবা চার্জশীট কুমজা ২০১৫গী দিসেম্বর ১৯দা থাগৎলকখিবনি। মসিগী মতুংদা এদিসনেল চার্জশীট অমসু থাগৎলকপগা লোয়ননা কোর্ট অসিদা মসিগী ৱায়েল চথবা হৌরকখিবনি।

কেস অসিগী ৱায়েলগী শরুক্তা চার্জশীটতা য়াওবা প্রোজিক্যুসন রিটনেস (পি দব্লিয়ু) ৬৪গী মচীন হংবগী থবক মথং-মথং চথবকখিবগা লোয়ননা ঙসি লৈখিদ্রবা আর্মিগী পর্সনেলশিং অদুগী হকচাংশিংগী পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন তৌখিবা জৱাহরলাল নেহরু ইনষ্টিটুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস)কী দিপার্টমেন্ট ওফ ফোরেন্সিক মেদিসিনগী দোক্টর অমগী ষ্টেটমেন্ট কোর্টনা লৌখিবনি। জেনিমসকী ফোরেন্সিক এক্সপর্ট অসিনা কেস অসিগী মরী লৈননা মহাক্কী ষ্টেটমেন্ট পীরবা মতুংদা কেস অসিগী এক্যুজগী মায়কৈদা লেপখিবা দিফেন্স কাউন্সেলশিংনা মহাকপু ক্রোস এগজামিনেসন তৌখি। লোয়ননা মখা তানা কেস অসিগী পি দব্লিয়ুশিংগী এগজামিনেসনগী থবক মথং থাগী ২৩দা পাঙথোক্লবা কোর্টনা মতম লেপখি।

পনবা য়াবদি, থৌদোক অদুগী মতাংদা এন আই এনা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেস এফ আই আর নম্বরনা আর সী-০৩/২০১৫/এন আই এ/গুৱাহাটি অন্দর সেক্সন ৩০২/ ৩০৭/ ১২০-বি, ১২১ (এ), ২৫ (১) আর্মস এক্ট, ১৬/২০ অন-লোফুল এক্টিভিটিজ (প্রিভেন্সন) এক্টনি। ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি অসিগী মায়কৈদগী কেস অসিগী অনীশুবা সপ্লিমেন্টরি চার্জশীট অদুনা চৎলিবা কুমজা অসিগী জুলাই ৫দা কোর্ট অসিদা সবমিট তৌরকখিবনি। লোয়ননা কেস অসিগা মরী লৈননা এজেন্সি অসিনা ফাখিবা এক্যুজশিংগী মনুংদগী এন এস সী এন-কেগী মরুওইবা কাদরনি হায়রিবা খুমলো অবি অনাল এলিয়স এম্বিসন (৪৪) অপোকপা লৈখিদ্রবা খুমলো খুঞ্জো, লম্থুং ভিলেজ, চান্দেলনা কেস অসিদগী হেল্থ গ্রাউন্দদা বেল পীবীনবা তৌখিবা প্রেয়র পূম্নমক কোর্ট অসিনা রিজেক্ট তৌদুনা ঙসি ফাওবদা জুদিসল কষ্টদিদা থম্লক্লিবনি।

## ৭৩শুবা লাইনিং ঙাক শেনবা নুমীৎ...

*লামায় ১গী মখা...* চাদা নৌদাশিংগী খুন্নাই শেন্নকপা অসিননি। মালেমগী অতৈ মফমদা লৈতবা তোপ তোপ্পা মশক কয়া লমদমসিদা লৈরি। ঐখোয়গী লাইনিং-লাইশোল থৱায় য়াওনা য়োকখৎপা মতম ওইরে। মালেমগী পাফল অসিনা ঐখোয়গী লাইনিং-লাইশোন মপুং ফানা হঞ্জিল্লকপা ওইরসনু। ইরৈচাশিংদা লৈরম্বা অফক-অপাই কয়া কোকচদুনা থৌনা লৈনা হিংলসি। চহী ৭০ রোমগী মতুংদা কংলৈচাশিংনা য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা লাইনিং-লাইশোন্দা ওনশিন্নরক্লি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা পান্থোইবী হাউজিং প্রাইভেট লিমিটেদকী চ্যেরমেন থোকচোম হেমোনা হায়খি, কংলাদা চঙলকপদা মণিপুরগী অশেংবা মশক খঙব ঙম্মী। অমুক্লা হেন্না খঙহন্নবা হোৎনফম থোকই। লৌশিং, পাঙ্গল পুথোক্লবা কংলা মহৈ লোয়শঙ অমা পুথোকপা তঙাইফদ্রে হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা কংলা ফমথৌ ৬৪ এন্দ পেনা লোয়শঙগী ইপু লময়ানবা, এদভাইজর য়ুম্নাম রঘুমনি, ইচমগী হান্নগী প্রসিদেন্ট এন রাজেন্দ্রো, কে এম ব্লুমিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ফাউন্দর মেঞ্জোর, রিটয়ার্দ ঐচ ও দি, এল লোকেন, ঐচ. কে ঐচ. টি ঐচ. কেগী হান্নগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ তোমচৌ, খ্বাইলাকপা উত্রা শঙলেন ইবুংঙোহল অমদি পুখ্রম্বম রূপকুমারসু শরুক য়াখি।

## প্রেমিলাবু হাৎলগা মৈ থাদোকখিবা অমুজাও পূন্সি...

*লামায় ১গী মখা...* সবমিট তৌখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা মহাক্লা প্রেমিলাবু হাৎলবা মতুংদা লৈশাবী অসিগী মশাদা য়াওবা সনাগী লৈতেং পোৎলমশিং লৌথোক্তুনা পুখি। মখোয় অনী নুংশি মরী লৈনবদগী চেল্লবনি হায়দুনা ককচীংগী মহাদেব চীংদা কাখৎমিন্নরবা মতুংদা মহাক্লা লৈখিদ্রবীগী ইকাই খুম্নবা নমদুনা মাঙহনবীখি। অদুগা অমুক হন্না মহাক্কী ইকাই খুম্নবা মাঙহন্নবা হোৎনরকপদা লৈখিদ্রবীনা মোবাইল ফোন শীজিন্নদুনা মহাক্কী অপোকপা মপাদা মহাক নুংশিনবা নুপাদা চেল্লবনি হায়দুনা ফোন তৌবা হৌরকপদা খেল্লেন্দ্রো এলিয়স অমুজাওনা মখোয় অনীনা লৈরিবা মফম অদুগী লৌশঙ অমগী মনাক্তা লৈরম্বা উগী থেঙ্গু অমনা তুংলোমদগী মকোক্তা থোল্লকখিবনি। মসিদগী প্রেমিলা ৱাখল তাদনা অহুম-মরিরক থরো-থরো ওন্দুনা লৈরিঙৈগী চৈরক্তা অমুক্লা হন্না থেঙ্গু অদুনা প্রেমিলাগী মকোক্তা হঞ্জিন-হঞ্জিন থোমদুনা হাৎখিবনি। থৌদোক অসি থোকখ্রবা মতুং নুমীৎ খরনি লৈরগা খেল্লেন্দ্রো এলিয়স অমুজাওনা মফম অদুদা চৎতুনা থৱায় য়াওদ্রবা প্রেমিলাগী হকচাংদা কেরোসিন হৈজিন্দুনা মৈ থাদোকখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

কোর্টনা নাকল অনীগী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা মরাল লৈরে হায়রিবা ময়াংলম্বম খেল্লেন্দ্রো এলিয়স অমুজাওবু ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ৩০২গী মখাদা পূন্সি চুপ্পা জেলদা থম্নবা ফাদোক পীরে হায়দুনা ওপন কোর্টতা লাউথোকখি। লোয়ননা লৈখিদ্রবীগী ইমুংদা লুপা ৫০,০০০গী শেনফম অমসু ফাইন ওইনা পীগদবনি হায়নসু খঙহনখি। করিগুম্বা মহাক্লা শেনফম অসি পীবা ঙমদ্রবদি মহাক্কী ফাদোক্কী মতম থা ৫ শাংদোক্কনি হায়রি।

ফাদোক্কী মতম অমসুং ফাইনগী শেনফম অসিগী মথক্তা মহাকপু ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ৩৯২গী মখাদা চহী ৫ ফাদোক পীখিবগা লোয়ননা লুপা ৩০,০০০গী শেনফমসু ফাইন ওইনা থীননবা খঙহনখি। অদুমওইনমক মঙোন্দা পীরিবা তোঙান-তোঙানবা ফাদোক্কী মতমশিং অসি মতম অমত্তদা তূনা চৎমিন্নগনি হায়রি।

অমরোমদা, লৈখিদ্রবী কৈশাম প্রেমিলা (৪৫)গী অপোকপা মপাদা নেসনল লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (নালসা)গী কম্পেন্সেসন স্কিম ফোর ৱিমেন ভিক্টিমস/সর্ভাইভরস ওফ সেক্স্যুএল এসোল্ট/ অদর ক্রাইমস, ২০১৮গী মখাদা লুপা লাখ ১০গী শেনফমসু পীননবা কোর্টনা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি, থৌবালদা খঙহনখি। শেনফম অসি ঙসি লাউথোকখিবা কোর্টকী ওর্দর অসি ফংবদগী পারগা নুমীৎ ৬০ নি ফাওবগী মনুংদা ভিক্টিমগী অপোকপা মপাদা পীগদবনি হায়নসু কোর্টনা খঙহনখি।



HL-B/5526/2-30Aug(alt.)